# চুমথোক্কে হায়রবদি য়াদে হায়বা ঙম্বা চঙই - ৪

ৰাখল ইহুল
সোরাম ইবোহল

**মণিপুর** অনী অহুম থোকপগী লমদম অমা ওইবসি অমৎতা ওইনা মীরম মমাঙদা উহনবা ঙম্নবা পাম্বে অমা পুথোক্লগা অনীশুবা য়াদে হায়বদা য়ানবা অমা চঙই। মসিদা লুরিবদি খন্ন-নৈনরগা অমৎতা ওইবা ৰারেপ লৌসি হায়বদা খরা অমনা খন্ন-নৈনবদুদা শরুক য়াদবা নৎত্রগনা হান্না মশাগী শিখাং খাঙবগী ফিরেপ্তু হোংদোকউ য়াদবসিনি। নাকল অমরোমদা অমুক লুরিবদি করিগুম্বা মরম অমগী খন্ন-নৈনবা মীফম কৌবদা লৌহন্নিংলিবা ৰারেপ্তু হান্না উৎথোকপনা/ফোঙদোকপনা অতৈনা মীফমদু য়াওনিংদবগী মরম হায়বদু ওইহল্লি। অখণ্ড অহৈ খরদমক (মশক খঙলবনি হায়না লৌরগা) কৌবসু ফজদে। মসিনা তুংদা য়েৎনিংবা খরসু থোকহল্লকপা য়াই।

মণিপুর কৌখিবসি মৈদিংঙু পামহৈবগী মতমদা ময়াং মচা শান্তিদাস গোসাই লাকপদগীনি হায়বসিদি পুয়া অরিবদা য়াওরম্বনা য়ারে হায়না লৌরসি। অদুগা অমুক য়েৎননিঙাই ওইরিবা হায়বদি ওইথোক্লিঙাই ওইদবা ৰাফম অমনা মচিন মনাও মঙাগী অহুমশুবা অর্জুন্না মণিপুরদা লাক্লমই, অশ্বমেধ যজ্ঞ তৌরগা নিংথৌ পানবা লৈবাক মচা কয়াবু খুদুম চনবা নৎত্রগা চন্দবগী মতাংদা মহাভারতকী করম্বা অধ্যায়দা য়াওই নৎত্রগা য়াওদে হায়বসিসু হন্না য়েংশিল্লগা চুমথোকপা অমদি চঙই। চুন্নম্লগনা চুম্মে, লাল্লম্লগনা শাশিন্নবা ৰারীনি, মহাভারতকী মতমদগী য়াফম থোকপ্রা? মহাভারতকী অর্জুন ইরমদমসিগী লোল মচেৎ অমৎতা ফাওবা ঙাঙবা ঙমখিবগী খুদম ওইবা য়াবা দোক্যুমেন্ট হিন্দুগীদা করি লৈ? মণিপুরদা লাক্লমই হায়রবদি মদুগী প্রমান ময়াং লাইনীং চৎপশিংনা পুথোকপা তাবনি। ওইথোক্তবনা ইরমদমগী ইনাৎকা ময়াংগী মনাৎকা মান্নফম থোক্তবনা, খাঙুথক্তা চঙলকপা মীরম লাইনীং থাদোকপগী মতম ওইরক্লে হায়বসিনি। ইকায় খাংদগী কং কোৎতুনা চানবগী থৌশিল হোংদোকপনা ফরোইদ্রা হায়বগী ৰানি। দেমোক্রেসিদদি চৎনিংবা লাইনীং-লাইশোন তৌবা য়াই হায়জবা ইন্দিয়াগী দেমোক্রেসিদদি হিন্দুইজম্না হেন্না কনবা শাফু লৈবনা ঙহাক লৈতনা ইন্দিয়াদা ঈরাং লৈরিবসিনি। হায়কোর্টতা ফাওবা ষণ হাৎপা য়াদে, ষণদগী কান্নবা য়াম্না ফংই, লাইনি হায়নরিবনি। অতৈনা ইন্টরনেসনল দাইটনি হায়নরিবনি। ফুরুপ-কাঙলুপ তোঙানবগী মতুং ইন্না চানবা চিঞ্জাক্তা মান্নবা খরা মান্নদবা খরা লৈনরিবনি। চপ মান্নবা শা-ঙা, মনা-মশিং ফাওবদা ফুরুপ-ফুরুপকী নৎত্রগা লম লমগী থোংবগী মওং, চাবগী মওং খেন্নরিবনি। মসিসু লম লমদুগী কলচরগী শরুকশিংনি।

ইরমদমসিদা ফোঙ-ফোঙ শানা অনী থোকপগী ৰাফমশিংদি মীতৈ/মৈতৈ, মীত্রৈবাক/মৈত্রৈবাক, মীতৈলোল/মৈতৈলোল, সনামহী লাইনীং, পাখঙবা লাইনীং, শিদবা মপু লাইনীং অসিনচিংবা খরনি। কনাগুম্বা মীতোপ্পা 'নং কনানো' হায়না হংবদা খুমগদবা পাউখুমসি মীতৈনি হায়গদ্রা মৈতৈনি হায়গদ্রা? ইরমদমগী ফুরুপ অমৎতগী মীওই মরি চৎপদা অমনা মৈতৈ হায়রগা অহুন্না মীতৈ নৎত্রগা অনী অনীনা মীতৈনি, মৈতৈনি হায়রবদি হংলকইবা মীতোপ্পুনা করি খনখিনি। অমুকসু নখোয়না ঙাঙনরিবা লোলদুনা করিনো হংবদা অনী অমনা মীতৈলোলনি অদুগা অতোপ্পা অনীদুনা মৈতৈলোলনি হায়বা তারবদি করি খনখিগনি। মখা তানা অমুক করি লাইনীং চৎলি হংবদা লোয়নমক্লা সনামহী লাইনীং চৎলি নৎত্রগা পাখঙবা লাইনীং চৎলি হায়রবদি মান্নবোইরে হায়না খনখিবসু য়াই। মসি নৎত্রদনা খরনা সনামহী লাইনীং, খরনা পাখঙবা লাইনীং, খরনা শিদবা মপু লাইনীং চৎলি হায়রবদি ঐখোয়সিবো করিনি হায়না খনখিনি। অদুদগী অমুক খরা অমনা হিন্দু লাইনীং চৎলি হায়রবদি মীতোপ্পুনা অমুক্কা হেন্না করিনি হায়না খনখিগদগে হায়বসিনি। লাইনীংগী মরমদা লেংদবা অমা হায়বা তারবদি লমদমসিদা লৈরিবা বামোনশিংসু য়াওনা য়ুমথোং খুদিংদা সনামহী ইপা ইবুংঙো, ইমা লৈমরেল শিদবী অনীসি খুভম নৎত্রগা ফম্বাক (হিন্দুনা আশ্রম হায়বদু) সম্থোং পাংবা য়ুমগী কাচিন (চুথেক্তা) থম্লগা ইরাৎনৈ। মরম অসি লৈবনা লমদমসিগী ইনাৎলোয় খরনা সনামহী লাইনীংবু লমদমসিগী লাইনীংনি হায়হন্নিংবগী অপাম্বদু ৰানা হোৎনবদগী কুমজা ২০১১ গী ইন্দিয়াগী সেন্সস রিপোর্টতা মণিপুরগী অপূনবা সনামহী লাইনীং শেংনা চৎপা মীশিং ২,২২,৩১৫ ওইবদা খুঙ্গংগী লমদা মীশিং ১,১৩,৩৫২ অদুগা ময়োল লমদনা মীশিং ৮৮,৬৬৩ ওই হায়না ৰানা হোৎনজমনগী মনা ফংখিবগী পাউদম কম্মিটি ফোর অপগ্রেদেসন ওফ সনামহী ইন দ সেন্সস ওফ ইন্দিয়ানা প্রেসতা থোকপা চেরোল অমদা ফোঙদোকখিবসি অফবা অমনি। অমুকসু সেন্সস এক্ট, ১৯৪৮ গী মতুং ইন্না ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফ্যেরসনা সনামহী লাইনীংবু অমুক হন্না শক খঙবীবগীদমক তৌবিমল খঙবা উৎপগা লোয়ননা কুমজা ২০২১ গী সেন্সস সর্ভেদা কংলৈ মীয়াম্না সনামহী লাইনীং ইবিয়ু হায়না ফোঙদোকখিবা থোয়না কায়দ্রে হায়না থমজগে।

মথক্তা পঞ্জখিবা ৰাফম খরসি অথুবা মতমগী মনুংদা লৌথুপ লৌকোই লৈতবা মীয়ামগী মীফম অমা ফম্নবা হান্না লৈরবা লূপ অমনা হেক্তা কৌবিরগা নুমিৎ খরনি চঙলবসু চঙনা, মীয়াম্নসু মীফমদু শিনবদা চঙগদবা শেনফমগী মতেং ওইনবা অঙম্বা মতেং, খরা হেন্না লৈবনা শেনফম খরা চাউনা, লৈতবশিংসু চিংনদনা মরম চাবা অপীকপা শেনফম খরা খায়নরগা মমাঙ চহী খরদগী য়েৎনদুনা লৈরক্লিবা ৰাফমশিং -

মীতৈ হায়গদ্রা নৎত্রগা মৈতৈ হায়গদ্রা, মীতৈলোল হায়না ঙাঙনরিবা লোলসি খঙনগদ্রা নৎত্রগা মৈতৈলোল হায়না খঙনগদ্রা - মরমদি ইন্দিয়াগী আইট সেদ্যুল চনবদা অমুক মখা তানা য়েৎনবা লৈতনবা - হৌরক্লিবা নহারোল (মহৈরোয়শিং) শিংদা তম্বীবদা য়েৎনবা লৈতনবা ষ্টেটকী ওফিসিয়েল লেঙ্গোইজ ওইবদা, লমদমসিদা লৈমিন্নরিবা য়েলহৌমী বামোন, মুসলিম ইচিন-ইনাওশিং, এস সি ময়ামসিগী মমাঙ নৎত্রগা মতুংদবু ওইরবসু হাপ্লিংবা মওংদা ইবদা নৎত্রগা হায়বদা য়েৎনদনা অমৎতা ওইনা খঙননবা লেপথোকপগী মথৌ তারকপনা/ও বি সি সার্টিফিকেটশিং লৌবদা, বেঙ্ক একাউন্ট, ফোরেন পাসপোর্টশিং শাবদা, ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী শকখঙ চে অমা শাবদা, ফোরেন কন্ত্রিশিংদা মথৌ তাবা থবক/মরমগীদমক চৎপদা ইশা ইশাগী শক্তাক ওইনবা হায়বদা চিংনবা লৈহন্দনবা অসিনচিংবা কয়াগী ময়েক শেংহন্নবা থৌরাং ওইনবা।

হৌজিক য়েৎনরিবা খরসি কোকহন্নবা অরিবা মতমগী পুয়া/রেকোর্দ লৈবশিংনা মশাগী ৰানা ফংজবা মরল অমা ওইরবসু নৎত্রগা অর্কাইবসতা থম্লগা মীয়ামগী খঙমিন্নবা য়ানববু ওইরবসু খন্ন-নৈনবগী মমল য়াম্লবা মচাক ওইরগা - মসিনা চুমই হায়বসি মীফমদুদা পূন্না লেপথোকহৌরগা মতুং তাবদা অদু অদা হায়দুনা য়েৎনবা য়াদে হায়বসিনা লৈঙাক্কী রেসপোন্সিবিলিটি ওইহন্নবা/হায়বদি হান্না লৈঙাকসিগী ওফিসিয়েল রেকোর্দতা লৈখিবশিংদুদসু চুমথোকহৌনবা/নৎত্রবদি চপ মান্নবা পোৎতা মান্নদবা বনান নৎত্রগা খোম্থোক ওইবসিনা মীতোপ্তা নৎতনা ঐখোয় ইশাশিংদসু, লৈঙাক্কী মেছিনরিশিংদসু করি হায়না ইগদগে হায়বসিদা চমন্নবা অমা থোকহল্লে। অমুক্কা হেন্না লুশিল্লকইবদি মণিপুরদা লৈরিবশিংবু মণিপুরী হায়নরিবনা মণিপুরী লোলগী নুমিৎ হায়বসিনা তাক্কদৌরিবসিনা করি বনান ওইরগা কনাগী লোলবু খঙনগদৌরিবনো?

হৌজিক ইরমদমসিদা য়েৎনরিবা ৰাফমশিংসি মশীং য়ামখ্রে। তাঙ্কক মরি থোক্লা য়েৎনরকপা ৰাফম খরা পঞ্জগে। কনাগুম্বা অমৎতগী শাউম ফংদ্রিঙৈদা হৌরক্লোন্দগী থোল্লকপা/কৌরকপা পোৎ নৎত্রগা লমগী মমিংশিং য়াওবা ৰারী ৰাখোংগী তাঙ্কক, অনীশুবদা মপানগী মী চঙশিনবা খরা হৌখিবদগী মহৌশাদগী লৈজরকপা/চৎন-লোনচৎতা তায়োন্নবা হৌরকপা তাঙ্কক, অহুমশুবদা অনীশুবা তাঙ্ককী অওনবদা বৃটিশকী লৈঙাক মতম খরা লৈরিঙৈদা থোল্লম্বা মমিং অমদি নোংচুপ লোমগী লৌশিং (দিভাইদ এন্দ রুল) ফংহৌবা খরা, মরিশুবদনা অহানবদগীনা অহুমশুবা ফাওবদা চনৈনবা ওইরকঙৈদগীনা ইন্দিয়াগী হিন্দু লাইনীংগী মখা চথরকপা শাফুনা হীরম খুদিংদা হৌরক্লোনগা, চৎন-লোনগা য়েৎনরকপনা হান্না লৈরম্বশিং পুম্মাং মাঙহন্নবা হোৎনরকপদা নৌনা হিংগৎলক্নবা হোৎনবদা থেংনরিবা অৰাবা চৈথেংশিং। খুদম ওইনা, কৈদা (রেক্ট) পোৎ ময়াম থেন্দুনা থম্লগা য়োনফম কৈথেলবু - ইংলিসতা মার্কেট, হিন্দিদা বজার - পুময়ান য়ানশিন্ননা কৌবা/থাউ য়োনবা ময়াং ময়াম লৈবা মফমবু টেলিপতি হেক্তা ওন্থোকপা, আলু খরা কোম্না দুকান (ময়াং মরোন) হাংলবা মতুংদা য়োনবদগী আলু গল্লি (গল্লি- ময়াং মরোন), ময়াং কষ্টুরিনা শারম্বা শারমদবা খঙদনা নিংথৌ পাল্লিঙৈদা কষ্টুরি হায়বা অমা লৈরমই হায়বদগী কষ্টুরি থোং (পুল - হিন্দি, থোং - ইমারোল), ময়াংশিংনা শেমদোক শেমজিন তৌরগা অমুক পোৎ হাপ্লগা য়োনবা য়ানবা লিমোনগী/প্লাষ্টিক্কী অচৌবা খাউ (বোরা- ময়াং মরোন) য়োনবা লৈরক্কুম্বা অখুবা মফমবু বোরা গল্লি হেক্তা কৌশিনবদা ইরমদমগী মীয়াম ঐখোয়নসু হেক্তা অয়াবা পীরুবগুম তৌবসি খন্থবা মতম থেংমনদ্রিব্রা?

ময়াং মরোলগী রাজনিতি (পোলিটিক্স) হায়বসিদা অশেংবা মীনুংশি অমৎতা য়াওদে হায়বসি লোয়না খঙনরিবনি। পোলিটিক্স তৌবা তারবদি ইকায় খঙদবা, মতমগী পো য়েংলগা মশাগী ওইজবা থিবা হৈবা, মী হাৎপা, মচিনগা খৃৎকা মান্নদবা, চোংথোক-চোংশিন, হুৎ ফেৎ হৈবা, ওইরোইদববু ওইবদুম্না মীয়াম মাংদা ঙাঙবা হৈবা তাবা, নূংবু পান ফুৎপগুম্না থাজহন্দুনা মতম লৌবা হৈবা, অদুগা ইন্দিয়াগী দেমোক্রেসিগী চহী মঙা মঙাগী অমুক অমুক পাঙথোকপা মীখলগী মতম হৌবা ঙাইবা হৈবা, অসিনচিংবা কয়াসিদা থাজবা থম্লবদি লমদমসিগী মীয়াম অৰাবদা অৰাবা হাপচিনবা ওইনা থোক্কনি। অদুনা মতাং মতম চারিঙৈদা ইশা ইশানা হায়বদি মীচম ঐখোয়না অমৎতা ওইনবা হান্না হোৎনরবা মতুংদা অমৎতা ওইবা ৰাখলদা মীতোপকা মরী লৈনবা ৰাফম খুদিংমক অথুবা মতমদা চুমথোকহৌনবা হোৎনবগী মথৌ তারকই। চেকশিনগদবনা খুরক্কী ঈনা লাই শারিবশিংসিনি। মখোয়শিংসিদি মীতোপকী মিংথোল (উপাধি) ফংনবা হোৎনবদা ইরমদমগী চাওখৎনবা হোৎনবদা খুৎশু ৰাখলসু তুংওইনবনি।

অরোইবদা, থমজনীংবা ৰাফমদি - মীতোপকী ৰাফম খন্নবদা হৌজিক পাল্লিবা লৈঙাক্কী লুচিংবা ওইরিবসিনা তৌরিবা তাৎসিনি। কন্সটিট্যুসন্না য়াবা নৎত্রবদি য়ুনিয়ন গভর্ণমেন্টনা য়ারোইদবনা অখণ্ড অহৈ তান্নরগা নৌনা সেপ্টেম্বর ২, ২০১৬ কী ষ্টেট এসেমল্লি মীফমদা পুথোক্লগা পাস তৌনবা তাৎ তৌবা ওইনা ৱেবসাইটতা থাগৎলে হায়রিবা বিলসিদি মীতোপ খন্দোকপগী ৰাফমসু য়াওদে। নমথাক তৌগনবা, মীশিং য়াম্লগা ভোট কাগদবনি হায়বা দেমোক্রেটিক প্রোসেসকী খুদুং ইন্না মণিপুরগী কন্সটিট্যুএন্সি খুদিংদা ইলেক্টোরেল রোলদা ময়াংনা লমদমসিগী চনু নিঙোল লৌরগা চনু নিঙোলদুগী য়ুম্নাক হেক্তা পানশিনবা, করম্বা চহীদগী লোন্না চঙলক্লগা লৈরবনো খঙদনবা হায়দুনা বেজ ইয়ার ১৯৭২ হেক্তা হায়জিনবা/পীকখ্রবা ইরমদমসিদা সমুদ্রগুম্বা ইপাক অমদগী শাফু কন্না চঙশিল্লকইবা মীতোপ থিংনবা লম লৈবা য়োনবা য়াদবা, তৌনিংবতা তৌদুনা খুৎলিংনা লৈরিবা ময়াংশিংদা করি তৌগদগে হায়বগী মতাংদা থিংনবা পাম্বে অমৎতা য়াওদনা পুথোরক্লিবা অনৌবা বিলসি ভোট লেপ্পিংলিবা মখৈগীতা ওইব্রা, মীচম মীয়ামগীদি খন্দ্রবসু য়াই খল্লিব্রা? অদু ওইরবদি হান্না ফরে, য়ারনি হায়না এসেমল্লিদা পাস তৌখিবা বিল অহুমদুদি ষ্টেট লৈঙাক্কী লুচিংবনা করিনি হায়না খল্লগা পুথোকখিবনো? অদুনদি মশাগী ফিরেপ করিনো, মশাসি কদায়দা লৈ, কনাগীদমক মহাক মশানা লুচিংলিবা ষ্টেট লৈঙাক্লো হায়বসি খঙজদবা অসিগুম্বা মীশকসিদি মীচম মীয়াম্না চুমথোকফম থোকপনা য়াদে হায়বা তারে।

মী অমগী ফিদম লৌসি, মতুং ইনসি হায়রবদি মীদুগী লমচৎ-শাজৎ (করেক্টর) হান্না ফজনা নৈনরগা খঙবা মথৌ তাই। ইপা-ইমা, ইচা, ইচিন-ইনাওগী ৰাফম থিদনা, ফত্তবা মরমচৎতু লোৎশিনফম থোক্তে। লমদমসিগী কলচর চাওখৎহনবদা অচৌবা থৌদাং লৌখিবা, হৌজিক্তনা মশাগী ওইজবা থিবদা খঙবোই খঙদবোই মীরমগী লোনচৎ তম্লুবদগী মথং মথং শমথরক্তুনা লমদমসিগী কলচর মশক খঙহন্নবা হোৎনবদা অচৌবা মহৈকোল ওইগদবা মণিপুর কলচরেল য়ুনিভর্সিটিগী থাক ফাওবদা য়ৌহন্নিংলিবা লময়ানবা ইরমদমসিগীদি মৈদিংঙু ওইখিবা মীরমগী মিংথোল রাজশ্রী ফংখিবসিগী মাংলমচৎকী য়াম্না ইকায় তুকৎচনিংঙাই ওইরবা লমচৎ হান্না মরী লৈনবশিংনা নীংশিংউ অদুগা ইরমদম য়োনবা কলচরগী মওং অমদি থৌওং হোংদোকহন্নিংই হায়না থমজগে। ঙৌবোং খাওদা হাপ্লগা বেঙ্গোলগীদা চেনবা অচৌবা তুরেলদা লংথদুনা হাৎখিবা তুকৎচরবা কলচরদু নৌনা হাংলবা কলচরেল য়ুনিভর্সিটিদা পাকশন্না তম্বীরগা হৌরক্লিবা ইচা ইশুশিং, লান্না লমজিংবিদবনা অচুম্বা থৌওং ওইগনি হায়না থমজগে। মরমচৎ ফৎতবদগী মশানা মশাবু গোদমেননি হায়জবা নুপাদু হৌজিক জেলদা লৈরিবসিনি।

# এদিটরদা থারকপা চিঠি/ৱাকৎ/মীয়ামগী খোল্লাউ/পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ ....

## ইরোম শর্মিলানা চরা হেনবা তোকখিবগী মতুংসিদা

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

**ইরমদম** খুন্নাই অসিদগী অফস্পা লৌথোক্নবগীদমক্তা ইচে ইবেম্মা ইরোম চনু শর্মিলানা চহী ১৬ লোম চরা হেন্দুনা অকনবা খোঙজং চথ্দুনা লাকখি। অদুবু চহী ১৫ রোম লৈঙাক চুক্লি পায়রদৌবা ইকায় খুম্নজরিবা ওক্রম ইবোবীগী লৈঙাক অসিনা কংলৈ চনুরা অমগী খোঙজং অসিবু থৌওই-ৰাওইরক্তবদগী চৎলিবা চহী অসিগী ওগষ্ট ৯ দগী চরা হেনবা তোকখ্রে। চরা হেনবগী মহুত্তা চাক চারগা মীখল থেংনরগা অফস্পা লৌথোক্কনি হায়রক্লে।

মতাং অসিদা ইরমদম অসিদা লৈরিবা মীওই অয়াম্বনা শর্মিলাগী অনৌবা খোঙথাং অসিদা থাজদবা ৰাখল অমা ইপোক পোক্করি। মরমদি হৌজিক্কী মীখল থেংনবা হায়বসি অরায়বা নত্তে হায়বসিনি। শেঞ্জাও পায়বা সোসিয়েল ৱার্করশিং, থিকাদারশিং, এক্স এম এল এশিং অমদি হৌজিক হৌজিক লৈঙাক্লোই ওইরিবা মিনিষ্টরশিং অসিগা লম্বা থেংনবদা অরুবা অমা ওইগনি খল্লি হায়বসি মণিপুরগী পোলিটিক্সকী ইহুলবু মুন্না খঙলবা অখণ্ড অহৈশিংগী পূক্লিংগী খঙফাও ফাওরকপা ৰাখল্লোননি। করিগুম্বা ইরোম চনু শর্মিলানা মীখলদা মায় পাকপদগী এম এল এ ওইরবসু অফস্পাগীদমক্তা মহাক্লা তাল্লিবা পান্দম অদু অরেম্বা তাগনি হায়বসিমসু অখণ্ড অহৈশিংগী তশেং তশেংবা ৰাখল্লোননি। শর্মিলানা চরা হেল্লমদবা মতাং থোক্লবদি অফস্পাগী মরুমদা লান্মী অমদি পুলিসশিং অসিনা মীচম মীয়াম অমদি নুপী অঙাংদা ওৎ নৈবগী চাং হন্থরমদবসু য়াই।

কংলৈ খুন্নাই অসিদা অফস্পানা অসুক্কী মতিক ৰাহল্লি হায়বসিমসু খঙনরমদবা য়াই। মতাং অসিদা অইবগী ৰাখল্লোন খরদং থমজগে, শর্মিলানা চরা হেনবা তোকখ্রবসু ইরমদম অসিদা লৈরিবা লাইরিক লাইশু হৈরবা অখণ্ড অহৈ ময়াম অমা লৈবিরি। চরা হেনবগী খোঙজংমক নৎত্রবসু পুমনৌ নৌবা খোঙজং অমগী ঈহৌ অমা মীয়াম হুপ্না চঙশিনমিন্নবগী মতম য়ৌরে। মীয়ামগী অকনবা খোল্লাও নৎত্রগদি ইন্দিয়াগী লৈঙাকলোন্নদি অফস্পাগী তমথিরবা আইন অসিদি মুৎপা ঙমগনি থাজদে।

শর্মিলানা কংলৈ খুন্নাইগী মহুৎ শিন্দুনা খোঙজং চথরগা ঐখোয় ময়াম্না কুম্মে য়েংদুনা লৈথোকপদি ওইজবা ফংগনি থাজদে। মসিগা ইরোয়ননা শর্মিলানা মথং চহীগী অঙনবা শরুক্তা পাঙথোক্কদৌরিবা মীখলদা নুপী মীরেপ অমা ওইনা থেংনগনি হায়রিবা অসিদা মীয়াম্না নুংশিবীদুনা থাগৎপীসি। মহাক্কী করম্বা থৌনা ফুদোরকপগে হায়বসি অমুক্তা চাং য়েংসি। হৌজিক হৌজিক কেন্দ্র অনীগী মীহুৎ অনী ইকায় খুম্নজরবী লন্দোনি অমদি মীরাবাইনা মীহুৎ ওইরিবসি য়াম্মনদে। অতৈ কেন্দ্রশিংদগীসু নুপী মীহুৎশিং থাগৎপীরক্তুনা শর্মিলা থারগা য়ামদ্রবদা মীহুৎ ১০ দংদি মীখল অসিদা মায় পাকহনসি।

নুপা এম এল এশিংগী লৈঙাক্কী মহাও ঐখোয় লোয়না খঙলে। নুপী এম এল এশিংগী ওইবা লৈঙাকসু ময়াম্না মহাও তংমিন্নসি। মরমদি ইন্দিয়াগী ষ্টেট খরদা নুপী খরনা মিনিষ্টর ওইরি। চীফ মিনিষ্টর ওইবা য়াওরি। নুপীনা প্রাইম মিনিষ্টর অমদি প্রসিদেন্ট ওইবসু য়াওখ্রে। মালেমগী চাওখৎলবা লৈবাকশিংদসু নুপীশিংনা অচৌ অচৌবা মিনিষ্টর ওইবা য়াওরি। মরম অসিনা শর্মিলানা চরা হেনবগী মহুত্তা চাক চারক্লবা মতমদা ঐখোয় মীয়াম্না অফ-ফত্ত নৈনরগুমসি। শর্মিলানা অফস্পা লৌথোকপমক ঙমদ্রবসু ইরমদম অসিদা থোক্লিবা নুপীশিংগী ওইবা থৌদোক ৰাথোকশিংদা নুপী মীহুৎ অমা ওইনা করি করি থৌদাং য়ারকপগে হায়বদু চহী মঙাগী টার্ম অমদি য়েংথোকমিন্নসি।

*অদোমগী - থোকচোম কিরন মোইরাংচা*
*ৱাঙু সাবল সগোল লম্বী লৈকায়*

## শোয়খিবনি খন্দুনা অমুক্তি ঙাকপীসি

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

**মীওইবা** খুদিংমক থবক্তু তৌখ্রবা মতুং নৎত্রগা ঙাঙখ্রবা মতুংদা মদুগী অশোয়বা নৎত্রগা অহোবা অদু কোন্না উরকই অদুনা ফজবা মপূং ফাবা অমা ওইহন্নবা হোৎনবদা খরদি শেমদোক শাদোকপা মথৌ তাই হায়জনীংই। খঙলে হৈরে, হৈশিংলে হায়রিবা মীশক্তুনা তৌবা থবক্তু নৎত্রগা হায়বা ৰাহায় অদু ফাওবা করিগুম্বা কান্দা অশোয়বা অহোবা অদুম থেংনগনি। মসিনা তাকপদি মীপুম খুদিংমক শোয়দবা, লান্দবা ঙমদে হায়বনি। হন্দক মরক পাউচেশিংদা ইরোম চনু শর্মিলাবু য়াম্না থিনা চৈদুনা, ঙাঙদুনা ইবা থেংনজরে। মসি পুম্নমকসি পেন্দবদগী, শাউনিংবদগী হায়রকপা ইরকপা ঙাক্তনি । মরমদি লৈবাক্কী ওইবা ইশুদা লাঞ্জংলকখ্রবা মহাক মশামক লৈবাক্কী হায়বদু ওইখ্রবনি অদুনা মানা তৌনিংবা থবক খুদিংমক মীচম মীয়ামদা হান্না তানরমগদবনি, হংলমগদবনি।

মহাক মশা মথন্তনা ঙাঙনীংবা ঙাঙবা, লৌনীংবা খোঙথাং লৌবা হায়বসি পুম্নমক্কী লাইবক থিবনি। হৌজিক্তি মণিপুরগী মীয়াম খুদিংমক ইকায়বনা ফিরুক খুম্বা হায়বদুগা পাংখক ওইরবনি। করিগুম্বা মহাক্লা চরা হেনবগী খোঙজংদগী লাপথোক্লিংবা লৈরগসু দেটলাইন হায়বদি মতম অমা পীরগা ঐহাক মতম খরা খোঙজংদগী লেপচরগে, কনাগুম্বনা ঐগী মহুৎ শিনবীদুনা লৈবাক্কী থৌগল তৌবিয়ু হায়না লাউথোক্লমগদবনি। করিগুম্বা মীওই অমত্তনা থোক্লক্তবা তারবসু মানা পীরিবা তারিখ অদুগী মতুংদা পোখাবদা মীয়াম্না মাবু মীওইবগী মীনুংশিগা লোয়ননা হরাউনা অয়াবা পীরমগনি।

হৌখিবা জুলাইগী তারিখ ২৬ কী নুমিদাংদা নিফুং-নিফুং তাখি অদুবু ওইরম্লোইদা, মদু অঙাওবা ৰানি হায়খি। নোংঙাল্লগা পাউচে লাকপদদি হেদলাইন্দা চাওনা য়াওরকখি চরা হেনবা তোক্লগনি, ভোট লেপ্পগনি অসিনচিংবা মথং মথং। থাজদদনা পাউচে অহুম ওন-ওন্দুনা পারে অদুবু মাগী ফিরেপ অমসুং ৰাহৈ অদুদি খন্থবা য়াহৌদনা ঙাইহাক্কী নীংলকপদা হায়দোকপদৌনা তয়াং-তয়াংখি অদুনা মহাক্কী ফিরেপসি অশোয়ব্রা হায়না খনখি। অদুবু হায়দোকখ্রবা ৰা হায়বসি হঞ্জিল্লকউ হায়বদি য়াবা নত্তে। খরা শেমদোক শেমজিন তৌবা নত্তনা। মহাক্কী হায়রিবা ৰাহৈ ঐ চরা হেনবা তোক্লনি, ভোট লেপ্তুনা মীখল থেংনরগনি, ঐ য়ুম্বাল লম্বীদা খোঙদারনি অসিনচিংবা মহাক্কী ৰাহৈশিংসি মপূং ফাদবা শেরান্নবা অমদি অদুম য়াওরি অদুনা নৈনফম থোকপ্রা খল্লি। মহাক্লা চঙশিল্লিবা খোঙজং অসিদি মণিপুরদা লৈরিবা মীপুম খুদিংমক্কী মহুৎ শিল্লগা আর্ম ফোর্সেস স্পিসিয়েল পৱার এক্ট ১৯৫৮ মণিপুরদগী অমদি মালেমদগী লৌথোকউ হায়বনি। হৌখিবা কুমজা ২০০০ গী নবেম্বর ৫ দগী চরা হেনবা হৌখিবা ঐখোয় লৈকায়দা পোকখিবা নুপীমচাদু ঙসিদি মহাক্লা চরা হেনখিবা চহী ১৫ গা থা ৮ মপুং ফাদুনা লৈশাবী মপূং চপ চানা ফারে, ৰাখলসু চপ চানা মপূং ফারে।

অদুবু শর্মিলানা হন্দক হায়খিবা ৰাহৈশিংদুদি কুমজা ২০০০ গী নবেম্বর ৫ দা চরা হেনবা হৌখিবা নুপীমচাসিনা অদুমহাইনা হায়গদবা মান্দে। চরা হেনবা তোকপদা করিসু অকায়বা লৈতে, হেন্নদুম মীচম মীয়াম্না মীওইবগী পুন্সিগী মতিক ময়াই খঙবিদুনা মতেং পাঙগনি। তৌবতবু মীয়ামগী ওইবা খোঙজংনিনা ময়ামদগী অয়াবা অমখক হান্না লৌবনা ফরমগনি হায়জবনি। অদুগা পঞ্জনীংবা অমনা চহী ১৬ ময়া মীয়ামগী মহুৎ শিন্দুনা অৰাবা কয়া খাঙদুনা লাক্লবনিনা লেমহৌরিবা পুন্সি মতেক অদুদি নুংঙাইথোক্লা হিংনবা ফ্রিদম ফাইটর অমগুম্না নৎত্রগা ইচম চম্না আশ্রমগুম্বগী লুচিংবী ওইদুনা লৈহন্নিংই। মদুগী ওন্ন-তৈনবদা ভোট লেপ্তুনা মীখল থেংনগনি হায়বদুদি কুইনা চরা হেনমন্দুনা ৰাখল অঙাং ওন্থোরকপা মাল্লি হায়জনীংই। মরমদি মহাত্ম গান্ধী, আন্না হজারে, চন্দ্রবাবু হোয়না চরা হেনখিবদদি কুইনা হেন্দবনরা করিনো ৰাহৈদা অমত্তা অঙাং ওনখিদে। তশেংনমক্লা হান্নদগী ভোট লেপ্পগী ৰাখল লৈরম্বা ওইরগদি খোঙজং চঙশিল্লিঙৈ, চরা হেল্লিঙৈগী মনুংদা লেপকদবনি অদু ওইরবদি শোয়দনমক্কী মায় পাক্কনি হায়জনীংই। মরমদি ফিরাল মমাই চুল্লিঙৈ মরুপ ৰাত্তে তাইবংপান্দা, হৌজিক্তি নহাক্কী নতুংদা কনাসু উরোই য়েংবদা। অদুনা অঙাং ওল্লিঙৈগী মথক্তা অমুক অঙাওবা তাদুনা তোক্কনি হায়জনীংই।

অরোইবদা, এডিটরগী পূক্নিং চিংশিন্দুনা মীয়ামদা হায়জনীংলিবদি মণিপুর মীয়ামগীদমক্তা চহী ১৬ ময়া কথোক্তুনা অৰাবা কয়া খাঙদুনা লাকখ্রবনি শর্মিলা। মণিপুরদা নত্তনা মালেমগী মীয়াম্না ইকায় খুম্নবা উত্তুনা কয়ারক হন্না মকোক নোনখ্রবনি; কয়ারক হন্না মনা পীখ্রবনি; কয়ারক হন্না অখন্নবা মিংথোল পীখ্রবনি অদুনা অশোয়বা অমগীদমক থোইদোক্লা খোইখা-লিনখা থিন্নরগুমসি। মীওইবগী মীনুংশি হায়বদু য়েংলগা 'শোয়খিবনি খন্দুনা অমুক্তি ঙাকপীরসি' হায়জনীংই। অদুগা ইরোইননা হায়জনীংবা অমনা হৌজিকসু মতম লৈরি অফস্পাগী মায়োক্তা চঙশিনবা য়াবা খোঙজংদি তোকহন্নিংদে; করম্বা খোঙজং চঙশিনগদগে হায়বদুদি মণিপুরদা লৈরিবা অখণ্ড অহৈশিং অমদি সোসিএল ওর্গেনাইজেসন ময়ামগা তান্নহন্নিংই। মরমদি শর্মিলাগী খোঙজং মায়থীবা নত্তে, তঙ্খায় অমদি মায় পাকখ্রবনি। মহাক্কী খোঙজংনা অফস্পাগী মতিক ময়াই তঙ্খাই অমদি ময়াক চমহনখ্রবনি। অদুনা ঐখোয়না মহাকপু পূক্নিং শোন্থদনবা শৌগৎপীদুনা মহাক্কী ৰাহৈ অদু 'শোয়খিবনি খন্দুনা অমুক্তি ঙাকপীসি' হায়জনীংই।

*অদোমগী - লৈমপোকপম জেকেন্দ্র সিংহ, লাইফম খুনৌ ইম্ফাল ইষ্ট*

### মরোল থোকপা লাই

